# অসামদা কোভিদকী অনৌবা কেস ১,৬২১ থেংনখি

গুৱাহাটি, জুলাই ২৩ (এজেন্সী):
অসামদা হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ১,৬২১ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ১৫ শিহনখি হায়রি।

অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্বা সর্মানা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না পুন্না সেম্পল ১,৪৭,১৭৫ টেষ্ট তৌখিবগী মনুংদা শুপ্নতংগী ১,৬২১ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখিবনি। নৌনা থেংনখ্রবা কেস মশীং অদুগী মনুংদা ১৮৮ দি কামরুপ মেত্রো দিষ্ট্রিক্ট খক্তদগীনি হায়রি। অসামদা হৌজিক হৌজিক কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেট অসি চাদা ৯৬.২২ ওইরি। হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী কেস মশীং হান্নগা য়েংনরুবদা য়াম্না হন্থরকপগা লোয়ননা শিবগী চাংসু হান্নদগী হন্থরক্লি।

ষ্টেট অসিদা হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভিটি রেট অসি য়াম্না হন্থখ্রে। ইন্দিয়াগী ওইনসু হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী কেস মশীং য়াম্না হন্থরকপগা লোয়ননা শিবগী মশীংসু হন্থরক্লি। ইন্দিয়াদা হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা কোরোনা ভাইরস এক্তিভ কেস লাক্ষ ৪ রোমতমক মঙাইরে। হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ৩৫,৩৪২ থেংনখি।

অমরোমদা অসাম ষ্টেটতা কোভিদকী কেস মশীং হন্থরক্লবসু মীয়াম্না মখা তানা লৈঙাক্লা শেমখিবা কোভিদ-১৯ গা মরী লৈনবা চৎনা কাঙলোনশিং ঙাক্লা চৎনবা মীয়ামদা আপীল তৌরক্লি।




থোংজু এ সীগী এম এল এসু ওইরিবা ৱাক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বরজিৎকী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ইষ্ট, থোংজু কেন্দ্র ভলন্টরি ৱার্কস কোভিদ-১৯ রিলিফ কম্মিটি অমদি থোংজু ফৈজা লৈতোং ষ্টুদেন্স ৱেলফ্যের কম্মিটিগা খূৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা মাস ভেক্সিনেসনদা শরুক য়াখিবা ভলন্টিয়রশিং

# আই আই এম শিলোংগী সেটিলাইট সেন্তর অমা এ পিদা সেটঅপ তৌবদা য়ানখ্রে

শিলোং, জুলাই ২৩ (এজেন্সী):
আই আই এম শিলোংগী সেটিলাইট সেন্তর অমা অরুনাচল প্রদেশতা সেটঅপ তৌবগী মেমোরেন্দম ওফ অন্দর্সটেন্দিং অমা ঙসি অরুনাচল প্রদেশ গভর্ণমেন্ট অমসুং আই আই এম শিলোংগী মরক্তা খূৎয়েক পীনখ্রে হায়রি।

আই আই এম শিলোং অমসুং অরুনাচল প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অনীগী মরক্তা নোলেজ সিয়ারিং তৌনবা পান্দমদা এম ও য়ু অদু খূৎয়েক পীনখিবনি। হীরম অসিগা মরী লৈননা অরুনাচল প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর প্রেমা খন্দুনা ফোঙদোকখিবদা এম ও য়ু অদু আই আই এম শিলোংগী ডা. এ পি জে অব্দুল কলাম সেন্তর ফোর পোলিসি রিসার্চ এন্দ এনালাইসিসতা তৌনখিবনি।

এম ও য়ু খূৎয়েক পীনখিবা অদুদা অরুনাচল প্রদেশ গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী অরুনাচল প্রদেশকী চীফ সেক্রেটরি নরেস কুমার অমদি আই আই এম শিলোংগী মায়কৈদগীদি ইন্সটিট্যুট অসিগী দিরেক্তর প্রোফেসর দি পি গোয়লনা শরুক য়াখি।

# ঙমখৈগী মতাংদা য়েংশিন্নবগীদমক বাউন্দরি কম্মিসন অমা শেমখ্রে

আইজোল, জুলাই ২৩ (এজেন্সী):
মিজোরাম অমসুং অসামগী মরক্তা ঙমখৈগী ৱাহৌগা মরী লৈননা চয়েৎনবা থৌদোক কয়া থোক্লিবা অসিগী মতাংদা থিজিন্নবগীদমক মিজোরাম গভর্ণমেন্টনা বাউন্দরি কম্মিসন অমা শেমখিবগা লোয়ননা কম্মিসন অদুগী চ্যেরমেননা তোনলুইয়া ওইহনখ্রে হায়রি।

মিজোরাম অমদি অসামগী মরক্তা য়াম্না তোয়না ঙমখৈগী মতাংদা উংখৎনরিবা অদুগী মতাংদা ৱারোইশিন অমা অথুবা মতমদা পুরক্নবগীদমক বাউন্দরি কম্মিসন অসি শেমখিবনি। কম্মিসন অসিবু লুচিংলিবা চ্যেরমেনগী ফমসু পুরিবা দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর তোনলুইয়ানা ফোঙদোকখিবদা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংগা হীরম অসিগী মতাংদা অথুবা মতমদা ৱারী শাবা হৌরগনি। অসাম গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদসু হৌজিক হৌজিক ঙমখৈগী মতাংদা চয়েৎনরিবা অসিগী মতাংদা ৱারী শাননবা খঙহল্লগনি অমদি নাকল অনীগী ওইবা সর্ভে অমা পাঙথোক্তুনা চয়েৎনরিবশিং লোয়শিন্নবা হোৎনরগনি হায়রি।

# নেসনল ফোরেনসিক সাইন্স য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পেস ত্রিপুরাদা শারগনি

অগরটালা, জুলাই ২৩ (এজেন্সী):
নেসনল ফোরেনসিক সাইন্স য়ুনিভর্সিটিনা মসিগী কেম্পেস অমা অথুবা মতমদা ত্রিপুরাদা শারগনি হায়না য়ুনিভর্সিটি অসিগী এগজিক্যুটিভ রেজিষ্ট্রার সী দি জাদেজানা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা ত্রিপুরাগী চীফ সেক্রেটরি কুমার অলোকতা অইবা চে পীদুনা খঙহনখ্রে হায়রি।

য়ুনিভর্সিটিগী ওথোরিটিনা ত্রিপুরাগী চীফ সেক্রেটরিদা মতম খরগী ওইনা বিল্ডিং অমা এরেঞ্জমেন্ট তৌনবা হায়জখিবগা লোয়ননা হায়রিবা বিল্ডিং অসি ক্লাস রুম ১৫ রোমগী অহাংবা মফমশিং লৈগদবনি। মসিদা নত্তনা হোল ৫ অমদি এদমিনিষ্ট্রেটিভ ষ্টাফশিংগী কা ৫ গা লোয়ননা অতোপ অতোপ্পা কা খরসু এলোট তৌনবা হায়জখ্রে হায়রি।

# ঙা ফাফম মুন্নবগী থৌদোক্তা খূৎ য়াওনরকপদগী মীওই অমা শিরে



গুৱাহাটি, জুলাই ২৩ (এজেন্সী):
অসামগী সাউথ সালমারা মনকাসার দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা টেপুরপারা ভিলেজতা লৈবা পুখ্রি অমদা ঙা ফামিন্নরবশিংগী মরক্তা নিংঙাই শংদাইনবগী থৌদোক অমা থোকপদগী মীওই অমা শিখ্রে হায়না মনকাসার পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিসকী রিপোর্ট মতুং ইন্না থৌদোক্তুদা লৈখিদ্রবা মীওই অদু তেপুরপরা ভিলেজদগী অনোৱার হুসেন (৩২) কৌবা মীওই অমনি হায়না কনফার্ম তৌখ্রে। ঙা ফাফম পুখ্রি অদুগী মতাংদা নাকল অনী থোক্লা য়েৎনরকপদগী লাইবকথিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি। চপ মান্নবা কম্যুনিটি অনীগী মরক্তা ঙা ফাফম পুখ্রি অদুগা মরী লৈননা হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাংদগী উংখৎনবা হৌরকখিবনি। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোকখিবদা ঙসি অয়ুক পুং ১১ রোম তারকপা মতমদা মীওই কাঙবু খরা লাক্লগা পুখ্রি অদুদা ঙা ফানবা হোৎনরকখিবনি।

ঙা ফানবা হোৎনরকখিবগী থৌদোক অদুবু লৈখিদ্রবা হুসেন, মহাক্কী অপোকপা অমদি ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা থিংনবা হোৎনখি। মদুদা ঙা ফাবা লাকখিবা মীওই কাঙবু অদুদা হুইসেনদা মচিন তুম্বা খূৎলাইশিংনা এটেক চথরকখি। থৌদোক অদুদা হুইসেন লৈখিদবগা লোয়ননা মহাক্কী অপোকপা জেল হক অমসুং মনাওনুপা অলোমসু শাথিনা শোকখি। থৌদোক অদুগী পাউ অদু খুঙ্গং অদুগী মফম খুদিংমক্তা থুনা য়াঙনা শন্দোকখিবগা লোয়ননা খুঙ্গং অদুগী খোইশাওনরবা মীওইশিংনা ঙসি নুমিদাংৱাইরম মীহাৎ অদুদা চেন্নরম্বা য়াই চিংনবা মীওই অমগী য়ুম মৈ থানবা হোৎনখ্রে। অদুমওইনমক পুলিসনা মতম চানা মীয়াম অদুবু কন্ট্রোল তৌবদগী মৈ থাবদি ঙমখিদ্রে।

অমরোমদা লৈখিদ্রবগী অপোকপা হকনা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা পুলিসতা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখ্রে। পুলিসনা কেস অসিবু হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা থৌদোক্তুদা চেন্নরম্বা য়াই চিংনবা মীওই ৩ ফাখ্রে। পুলিসনা ফাখ্রবা মীওই ৩ অদুদি তেপুরপরা খুঙ্গংদগী অরসদ অলি (২০), হজরদ অলি (২৮) অমসুং ফাটিক মোন্দলনি হায়রি।

## ঈন্সিন / লাক্কদৌরিবা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী মীখলদা ৱার্দ মেম্বরগী মীরেপ ওইনা মীখল থেংনজরগনি

লাক্কদৌরিবা ইম্ফাল ম্যুনিসিপালিটিগী মীখলদা কৈশামথোং কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈরিবা ৱার্দ নং. ১১দা ৱার্দ মেম্বরগী মীরেপ ওইনা মীখল থেংনজরগনি হায়না মীয়াম পূম্নমক্তা ইকোক নোন্না খুরুমজরি। মীয়াম পূম্নমক্না নুংশিবীয়ু।

নোল্লুকচরিবা :-
**শ্রী ৱাইখোম রাজেশ মৈতে,**
সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকাই
HL-P/6351/24

## অৱাবা ফোঙদোকপা



তাং ২২-৭-২০২১ ইং, অয়ুক্কী পুং ৮.৩০ তাবা মতমদা সগোলবন্দ তেরা সাপম লৈরক্তা লৈবা লোংজম শ্যাম মৈতৈগী শঙলেনদা, লৈখিদ্রবা ওজা অহৈবম দেবকিশ্বর সিংহ সাং সগোলবন্দ তেরা কৈথেলদা লৈবনা মনুং মতম চাদনা হৌখিবা তাং ২২-৭-২০২১ ইং, নুমিদাংগী পুং ১২.২০ রোম তাবা মতমদা লৈখিদবগা মরী লৈননা Apunba Poramlen Marup কী অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা S.O.P. ঙাক্লা ফমখি।

মীফম অসিদা লৈখিদ্রবা Apunba Poramlen Marup কী President ওইনা থৌ পুবিদুনা মরুপ অসিবু লমজিংবিরম্বা ওজা অহৈবম দেবকিশ্বর সিংহনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবা অসিদা পোরমচাশিংনা অৱাবা ফোঙদোকখি অমসুং লৈখিদ্রবা ওজাগী থৱায় মীরেন্না মপূগী মফমদা ঈংনা-চিক্না লৈরুনবা থৌনিজখি। মরুপকীথক্তা লৈবিরম্বা ওজাশিংনা থুপখ্রবা মতুংদা লৈখিদ্রবা ওজা অহৈবম দেবকিশ্বর সিংহনা মরুপ অসিবু লমজিংবীদুনা পোরমলেনগী অহল-লমননা থমবীরম্বা থাঙ-তা মহৈ কাঙলোন অসি লৈপাক মীয়ামগী লননি, অনৌবা মীরোন্না, মীয়াম্না থীরকখিনি চেকশিন্না য়োক্তুনা থমসি হায়দুনা মহাক্কী অঙম্বা থাক্তা কন্না হোৎনবীরম্মী। North East Apunba Poramlen Marup, Assam অমসুং Apunba Poramlen Marup, Manipur গা শমজিন্নবা হোৎনবদা ওজা অসিসু মরুওইবা থৌদাং লৌবীরম্মী অমসুং ওজা অসিনা North East Apunba Poramlen Marup কীসু President ওইনা থৌ পুবিরম্মী। ওজা অসিনা লুচিংবীদুনা লাঙ্গোল কুরুম চীংদা মরুপ অসিগী খূভম অমা শোক ২০০৯ ইংদগী হৌনা শেমগৎতুনা মরুপকী ফিরাল চিংখৎপা অমদি থৌনী থৌরম চহী খূদিংগী ওইনা ঙসি ফাওবা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। অসুম্না মরুপ অসিবু লমজিংবীরম্বা ওজা অসিনা লৈখিদবা অসি মরুপ অসিগী ওইনা অচৌবা মাঙজবা অমনি। লৈখিদ্রবা ওজাগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু মরুপ অসিনসু শরুক য়াজরি।

Sd/- **Shyam Chandra Longjam**
Secretary, Apunba Poramlen Marup, Tera Keithel, N.C. Road,
Imphal, Manipur
HL-P/6349/24

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, HIYANGTHANG**
**Ref. Mutation Case No. 193/SDC/IW(H) of 2021**
1. Sarangthem Kamini W/o S. Ingobi of Langthabal Lep Makha Leikai.
2. Sarangthem Ibotombi S/o S. Sanggai of Langthabal Lep Makha Leikai

-Vs-

(Late) Sarangthem Ingobi Singh S/o S. Sanggai of Langthabal Lep Makha Leikai.


**/ NOTICE**

Dated/Hiyangthang the 23/07/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 Petitioner গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি খুল নং 76-Langthabal পাট্টা নং ... (অরিবা) 376/1409 (অনৌবা) গী হাল দাগ নং ... (অরিবা) 1076/1812 (অনৌবা)গী এরিয়া 0.055 acre একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী কো-পাট্টাদার নম্বর ... অসি নৎতনা অতোপ্পা লোইনা মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নমজরি তৌবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং ৩১/০৭/২০২১ ইং ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপ্তি তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Hiyangthang
HL-P/6352/24

## CROSSWORD-3849



**ACROSS**
1 Meat or fish with bones removed (6)
4 Seem (6)
8 Make up for (5)
9 Radioactive element (7)
10 Mapped (7)
11 Devoured (5)
12 Setting out (9)
17 Sworn promises (5)
19 Enfold, surround (7)
21 Vanquish (7)
22 Lid (5)
23 Custodian (6)
24 Colour of the spectrum (6)

**DOWN**
1 Complete failure (6)
2 Skin-tight garment (7)
3 Throw out (5)
5 High level ground (7)
6 Decree (5)
7 Gypsy (6)
9 Lingerie (9)
13 Meadow (7)
14 Invigorate (7)
15 Russia's capital (6)
16 Thinly scattered (6)
18 Male singer (5)
20 Minister (5)

**Solution 3848**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| F | A | S | T | | S | O | M | B | R | E | R | O |
| U | | O | | F | | R | | E | | X | | I |
| L | O | B | E | L | I | A | | R | E | P | E | L |
| L | | E | | O | | N | | Y | | L | | S |
| S | T | R | E | W | | G | A | L | L | O | N | |
| T | | | | E | | E | | | | I | | T |
| O | X | F | O | R | D | | B | A | T | T | E | R |
| P | | E | | | | S | | B | | | | I |
| | C | R | A | V | A | T | | D | R | O | O | P |
| A | | V | | I | | U | | U | | R | | L |
| C | H | E | S | S | | D | E | C | L | I | N | E |
| H | | N | | O | | I | | T | | O | | T |
| E | X | T | E | R | I | O | R | | I | N | N | S |

**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-3648**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 3 | | 2 | | | 7 |
| | 5 | 3 | | | | 1 | | |
| 7 | 2 | 6 | | | | | | |
| | 4 | | 7 | 3 | | 8 | 1 | |
| | | | | | | | | |
| | 7 | 2 | | 5 | 1 | | 3 | |
| | | | | | | 2 | 9 | 6 |
| | | 1 | | | | 5 | 8 | |
| 5 | | | 6 | | 3 | | | |

**Solution-3647**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 5 | 2 | 1 | 3 | 4 | 6 | 7 | 9 |
| 4 | 9 | 3 | 7 | 6 | 8 | 2 | 5 | 1 |
| 6 | 7 | 1 | 2 | 9 | 5 | 3 | 4 | 8 |
| 5 | 4 | 7 | 6 | 1 | 2 | 8 | 9 | 3 |
| 1 | 6 | 9 | 4 | 8 | 3 | 5 | 2 | 7 |
| 2 | 3 | 8 | 5 | 7 | 9 | 4 | 1 | 6 |
| 7 | 2 | 6 | 8 | 4 | 1 | 9 | 3 | 5 |
| 9 | 1 | 4 | 3 | 5 | 6 | 7 | 8 | 2 |
| 3 | 8 | 5 | 9 | 2 | 7 | 1 | 6 | 4 |

**Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9**
**Every row must contain the numbers from 1 through 9**
**Every column must contain the numbers from 1 through 9**
**Every 3x3 square must contain the numbers**

## EMPLOYMENT NEWS

NIMI Recruitment 2021 nimiprojects.in: Directorate General of Training (DGT) invites online applications from eligible candidates for recruitment of following Consultant vacancies on contract basis in National Instructional Media Institute (NIMI), Chennai. The last date for submission of online applications is 31st July 2021.
Recruitment Notice No. 02/2021
Post Name
No of Vacancies
Junior Vocational Consultants (JCVs)
240
Consultants (Technical Support)
48
Consultants (IT)
30
Senior Consultant
Various
Consultant for NCVET, MSDE, GoI
Various
Consultant for SDMRU, MSDE, GoI
Various
About: National Instructional Media Institute (NIMI), an Autonomous institution, under Ministrt of Skill Development and Entrepreneurship, Government of India.
Age Limit: Upper Age Limit for 40 years for all as on last date for receipt of application.
Monthly Salary:
Consultant (IT Support): Rs. 45000/- per month
Senior Consultant: Rs. 80000/- per month
Junior Vocational Consultant: Rs. 35000/- per month
Consultant for NCVET, MSDE, GoI: Rs. 50000/- per month
Consultant for SDMRU, MSDE, GoI: Rs. 50000/- per month
Educational Qualifications:
Junior Vocational Consultants (JCVs):
(1) Bachelor's degree or higher in relevant field from recognized University or Institute with minimum 01 year of post-qualification experience
(2) Diploma in Engineering or Technology in the relevant field from recognized Board or Institute with Two years post-qualification experience;
(3) Bachelor's degree or higher in any field from recognized University/ Institute or National Trade Certificate (NTC) /National Apprenticeship Certificate (NAC) from National Council of Vocational Education and Training (NCVET previously NCVT) in relevant field with Three year of Post-Qualification experience
(4) Should possess CITS certificate i.e. National Crafts Instructor Certificate (NCIC) in relevant trades.
Consultants (Technical Support):
(1) Engineering Graduate (BE/B.Tech) with at least 5 year of experience in relevant field.
(2) M.Tech or above with at least 2 years of experience in relevant field.
(3) Diploma with at least 7 years of experience in relevant field.
(4) BBA with at least 5-year experience in relevant field.
(5) MBA with at least 2 years of experience in relevant field.
Consultants (IT):
(1) BE/ B.Tech/ M.Tech in Computer Science (CS)/ Information Technology (IT)/ Electronics and Communication Engineering (ECE) or Equivalent with 5 years of experience or above
(2) MCA/ M.Sc/ DOEACC ('B' & 'C' Level) with specialization in computers or equivalent with 5 years of experience or above
(3) M.Sc./ M.Phil/ Ph.D in Mathematics/Physics/ Statistics/ Operation Research/ Computer Science/ Information Technology/ Electronics with specialization in computers or equivalent with 5 years of experience or above
(4) Diploma/ BCA/ B.SC in IT/ computer science with 7 years of experience or above.
Selection Process:
Written Test (OR)
Interview
Application Fee: Not Specified.
How to Apply: Interested candidates apply online through NIMI Recruitment Portal (nimiprojects.in/nimirecruitment/). The last date for registration of online applications is 31/07/2021.

Income Tax Mumbai Sports Quota Recruitment 2021 www.incometaxmumbai.in: Government of India, Office of the Principal Chief Commissioner of Income Tax, Mumbai invites applications for recruitment of meritorious sports persons in certain games / sports disciplines. The last date for submission of online applications is 25th August 2021.
Income Tax Sports Quota Recruitment 2021
Name of the Post
Total Vacancies
Inspector of Income Tax
08
Tax Assistant
83
Multi Tasking Staff (MTS)
64
Age Limit: (As on 01/08/2021)
Inspector of Income Tax: 18-30 years
Tax Assistant: 18027 years
MTS: 18-25 years
Pay Scale:
Inspector of Income Tax: Pay Level 7 ? 44900 to ? 142400/-
Tax Assistant: Pay Level 4 ? 25500 to ? 81100/-
MTS: pay level 1 ? 18000 to ? 56900/-
List of Games / Sports:
Athletics
Swimming
Squash
Billiards
Chess
Carrom
Bridge
Badminton
Lawn Tennis
Table Tennis
Shooting
Weightlifting
Wrestling
Boxing
Judo
Gymnasitcs
Body Building
Volleyball
Basketball
Football
Kabaddi
Cricket
Educational Qualifications:
Inspector of Income Tax: Bachelor's Degree from a recognized university / institute.
Tax Assistant: Any Bachelor's Degree from a recognized University /Board and Data Entry speed of 8000 key depressions per hour.
MTS: Matriculation / 10th class or equivalent from a recognized University / Board
Selection Process:
Computer Skill Test
Ground/ Proficiency Test
Document Verification
How to Apply: Eligible Interested candidates should apply online only through Income Tax Mumbai official website (www.incometaxmumbai.in). The last date for registration of online applications is 25/08/2021 up to 23:59 Hours.

OSSSC Revenue Inspector Recruitment 2021: Odisha Sub Ordinate Staff Selection Commission (OSSSC) Bhubaneswar invites online applications from eligible candidates for recruitment of 586 District cadre posts of Revenue Inspector on contractual basis in various district establishments under the Revenue and Disaster Management Department of Government of India. The OSSSC Revenue Inspector 2021 online registration process will be start from 24th June 2021 and scheduled to be held on 23rd July 2021.
Name of Post
Total Vacancies
Revenue Inspector
586
Age Limit: 20 to 32 years as on 1st January 2021. Age Relaxation as per Govt. Rules.
Pay Scale: ? 35400/- (Pay Matrix Level - 9, Cell - 01) Consolidated Monthly Remuneration ? 16,880/- per month
Educational Qualifications:
The candidates must have passed a Bachelor Degree examination in any discipline or equivalent qualification.
Candidates having Knowledge in Computer Application.
A Candidate must be able to speak, read, write Odia and have passed Middle School Examination with Odia as a language subject.
Selection Process:
Written Test
SKill Test
Application Fee:
100/- examination fee for General and OBC category candidates.
No fee for SC, ST, PwD category candidates.
The fee should be made through online payment mode.
How to Apply: Eligible Interested candidates should apply online through OSSSC Online Application Portal (osssc.gov.in). The last date for registration of online applications is 30/07/2021.







